অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# চীংতম শঙাকফম অমদি ফোরএভর ফুটবোল লমলাই-চালৌ সেমী ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্কুনা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) ঃ

স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ব্রিং লনগৈনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী নোংপোক সঞ্জেনবমগী লনগৈ ভিলেজকী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্কুনা চীংতম শঙাকফম অমদি ফোরএভর ফুটবোল লমলাই-চালৌ ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা চথুরিবা অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এক্সকী মমা এফ সী শগোলবন্দ অমদি চীংতম শঙাকফম শান্নখি।

মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী হৌনা মায়কৈ অনীদগী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা মীৎকুপ্তগী হৌনা মায়কৈ অনীদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা অরোইবা মীৎকুপ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা এটেক কয়া চথুনরবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী পাঞ্জল ০-০দা লৈনদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা চীংতম শঙাকফমনা মমা এফ সী শগোলবন্দবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

চীংতম শঙাকফমগী মায় পাকপগী পেনালটিগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ বেঞ্জামিন লুফেং, জর্সি নম্বর ১১ খাইমিন্থাং, জর্সি নম্বর ২ এন লৈশেম্বা, জর্সি নম্বর ৬ পি দিসেন অমদি জর্সি নম্বর ৭ টি ঐচ রোনালদোনা চনখি। মায়থীহৌরবা মমা এফ সী শগোলবন্দগী পেনালটিগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ গোলমৈ, জর্সি নম্বর ১৮ আইকোন, জর্সি নম্বর ১৯ দীপক অমদি জর্সি নম্বর ৩ কবিরাজনা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ব্রাইগী নাইন সাইনিং ষ্টার পুংদোংবম অমদি ফোরএভর ফুটবোল লমলাই-চালৌ শান্নখি। সেমী ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্নবা টিম অনীনা অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা হাফকী ৩৫শুবা মিনটতা নাইন সাইনিং ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১১ বিনোদকুমারনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু নাইন সাইনিং ষ্টারনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। ফোরএভর ফুটবোলগী মায়কৈদগীসু মেচকী অরোইবা মীৎকুপকী ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ মনিস্নানা নাইন সাইনিং ষ্টারগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা টিম অনীনা অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা লৈনবদগী পেনালটি কাওনখি।

পেনালটি কাওনবদা ফোরএভর ফুটবোলনা নাইন সাইনিং ষ্টারবু পাঞ্জল ৬-৫দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। ফোরএভর ফুটবোলগী মায় পাকপগী পেনালটিগী পাঞ্জলশিং অদু কে রিসিকান্ত, মনিস্না, রমানন্দ, অনোস অমদি গৌতমনা চনখি। মায়থীহৌরবা নাইন সাইনিং ষ্টারগী পেনালটিগী পাঞ্জলশিং অদু কবিরাজ, সুসিল, বিনোদ খনা অমদি জয়না চনখি।

# গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসি-এসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা টনিং দিভলপমেন্ট ক্লব ময়াং লাংজিংনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা সিক্স মন্থ গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে।

গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বা, টনিং দিভলপমেন্ট ক্লব (টি দি সী) গী প্রসিদেন্ট কে চাউবা, অম্ফাগী সেক্রেটরি ইন চার্জ এল জোটিরমোই রোয় অমদি অম্ফাগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ঐচ মেঘচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থা তরুক চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কোর্স অসিদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোয় ১৩১না শরুক য়ারি। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি থাংজ অমদি নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোক্কনি।

গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিদা মমিং চল্লগা অঙাং শান্নরোয়শিংনা অয়ূক পুং ৬তগী ৭ ফাওবা কোচ ব্রাই চন্দ্রজিনি অমসুং এম তোনস্না মীতৈগী লুচিং মখাদা তাকপী তম্বীগনি। হায়রিবা থা তরুক চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসি থা অসিগী ৯দগী শান্নরোয় নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংদা তাকপী তম্বীবা হৌরগনি হায়না দি টনিং দিভলপমেন্ট কম্মিটি (টিদিসী) ময়াং লাংজিং টনিংগী জেনরেল সেক্রেটরি ব্রাই ইমোচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা অম্ফাগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুটবোল মশান্নবু পামজবা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংদা গ্রাসরুট লেভেলদগী নিংথিনা তাকপী তম্বীদুনা লাক্লবদি তুংদা অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি।

বি বি এম মেমোরিএল ত্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এফ ভি এফ এনা তবসফা অমসুং ভি এস এ ব্রাইনা টি আর ভি এস এবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস)ঃ

পৌরাবিগী এস ব্রজবিধু অমদি সেক্তাগী দল্লিয়ু মুহিন্দ্রোবু নীংশিংবা ওইনা ইম্ফাল ব্রেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (আই দল্লিয়ু দি ভি এফ এ) না শীন্দুনা য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ভি এফ এ) গী মীৎয়েং মখাদা সী দল্লিয়ু সী নুঙ্গোইগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা বি বি এম মেমোরিএল ত্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এফ ভি এফ এনা তবসফা অমসুং ভি এস এ ব্রাইনা টি আর ভি এস এবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা চথুরিবা অহানবা বি বি এম মেমোরিএল ত্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা টি বি এস এফ এ অমদি এফ ভি এফ এ শান্নখি।

মেচকী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা এটেক কয়া চথুনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু পাঞ্জল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নদনা অহানবা হাফতগী লাক্লবসু মেচ অদু মায় পাক্নবা এটেক মথং মথং চথুরক্তুনা তক্লদুনা শান্নবা হৌরকখি।

মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা এফ ভি এফ এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৭ টি ঐচ খোজেন্না চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা এফ ভি এফ এনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টি বি এস এফ এগী শান্নরোয়শিংনা এফ ভি এফ এগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মখা চথরকপা অমদি ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা টি আর ভি এস এ অমসুং ভি এস এ ব্রাই শান্নখি।

অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ১০শুবা মিনটতা টি এস এ ব্রাইগী জর্সি নম্বর ১৬ বিকিংনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা টি এস এ ব্রাইনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। টি আর ভি এস এগী মায়কৈদগীসু ভি এস এ ব্রাইগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লুবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টি আর ভি এস এনা ভি এস এ আইগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু ভি এস এ ব্রাইনা পাঞ্জল ১-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টি আর ভি এস এনা এটেক কয়া চথুরক্তুনা ভি এস এ ব্রাইগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লুবা হোৎনরকখি। অদুবু ভি এস এ ব্রাইগী মায়কৈদগী মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা মেচকী ৪৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৬ ভিকিংনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মেচ অদু ভি এস এ ব্রাইনা পাঞ্জল ২-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি।

মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টি আর ভি এস এগী শান্নরোয়শিংনা ভি এস এ ব্রাইগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

# মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী সেনিয়র নেসনল আর্চর অমদি ওফিসলশিং ওদিষাগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি



ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) ঃ

ওদিষাগী কটক্তা লৈবা বরাবটি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৯দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা সেনিয়র নেসনল আর্চরি টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াগী নুপা অমসুং নুপী সেনিয়র আর্চর কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনল আর্চরি চেম্পিয়ন-শিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি রিকর্ভ টিমগী নুপা কাঙলূপ্তা টি ঐচ সনাতোম্বা, টি ঐচ সনায়াইমা, এন পারিথোই অমসুং এম মালোমঙানবনি।

রিকর্ভ টিম ইভেন্টকী নুপী কাঙলূপ্তনা টি ঐচ সনাই, বিদ্যাকুমারি, টি ঐচ স্বাসিতা অমসুং মনিসানি। হায়রিবা রিকর্ভ টিম ইভেন্টকী নুপা অমসুং নুপী আর্চরশিং অসি কোচ কম মেনেজর বি গুনিচা অমসুং কোচ এম জামিনিনা লুচিংদুনা ওদিষাগীদমক থা অসিগী ৯দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী কম্পাউন্দ টিম ইভেন্টকী নুপা আর্চরশিং অদুদি রমাকান্ত এস ঐচ, এস রাজেন্দ্রো, পি জগৎ অমসুং এম বিক্রমনি। ইভেন্ট অসিগী নুপী কাঙলূপ্তনা পি লিলি চনু, এস মনোরমা, সুসিতা তৌরাংবম অমসুং এম রুপননি।

কম্পাউন্দ টিম নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিং অসি কোচ সী ঐচ শান্ত অমদি বি হনি অমসুং মেনেজর এম বদলনা ওদিষাগীদমক থা অসিগী ১২দা ইম্ফাল থাদোক্কনি। অদুগা ইন্দিয়ন রাউন্দ টিম ইভেন্টকী নুপা কাঙলূপ্তা এন সুন্দর, টি ঐচ লনঙম্বা মীতৈ, ইজাক সিনাটে অমসুং ঐচ বিজেন্দ্রনাথনি।

নুপী কাঙলূপ্তনা পি সোনিয়া, দল্লিয়ু বালেশ্বরি, এস নিরমালা অমসুং সপনানি। হায়রিবা ইন্দিয়ন রাউন্দগী টিম অসিবু কোচ এ সনামচা শর্ম্মা অমদি বি বি লুসি অমসুং মেনেজর কে দেবানন্দনা থা অসিগী ১৪দা ওদিষাগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কনি হায়না মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ওদিষাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেসনল আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অসিদা দি চুমথাং সোল্যুসন ব্রাংখৈ অয়াংপল্লি ইম্ফালনা মণিপুরগী সেনিয়র আর্চরি টিমগী শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্মশিং স্পোন্সর তৌদুনা ঙসি খুমন লম্পাক্কী আর্চরি প্রেক্টিশ গ্রাউন্দদা য়েন্থোকখি হায়না মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ডা. গুরুঅরিবম ইবোপিশক শর্ম্মনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# ১৩শুবা এন্যুএল দি এ এম এম এস স্পোর্টস মীট ২০১৯ লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস)ঃ

প্রমোটিং দি স্পিরিট ওফ ব্রদরহুদ হায়বা থিমদা ফেব্রুৱারী ২৭তগী মার্চ ৪ ফাওবা দেল্লি এসোসিএসন ওফ মণিপুর মুসলিম ষ্টুদেন্টস (দি এ এম এম এস) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা এন্যুএল দি এ এম এম এস স্পোর্টস মীট ২০১৯ লোইশিনখ্রে।

এন্যুএল দি এ এম এম এস স্পোর্টস মীট ২০১৯ অদুদা অকোয়বদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়াগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখিবা স্পোর্টস মীট অদুগী মরু ওইবা ইভেন্ট (এল) অমিরুল হক ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি (এ) অবদুল গাফর ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হায়না পাঙথোকখি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা নোর্থ দেল্লি য়ুনাইটেদনা গেলেক্টিক এফ সীবু মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইখি। অদুগা ক্রিকেটকী টুর্নামেন্টতনা মেরিকলসনা পটেল চেছ গ্লাদিএটরবু মায়থীবা পীরম্লগা ব্রিন্নর ওইখি।

১৩শুবা এন্যুএল দি এ এম এম এস স্পোর্টস মীট ২০১৯ অদুদা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্ট বেদমিন্টন, কেরোম, মিটর ৪০০গী রেস, স্পুন রেস, এরিথমেটিক্স রেস, ম্যুজিকেল চেয়রনচিংবা মশান্না কয়াদসু দেল্লিগী তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংগী শান্নরায় কয়ানা শরুক কয়াখি। হন্দক পাঙথোক্লিবা স্পোর্টস মীট অদুদা মমাঙদা পাঙথোকখিবদগী নুপী মহৈরোয়শিংনা য়াম্না শরুক য়াবগী মমি তাখি।

# এফ সী লমজাওনা ব্রাই দি এবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬(ঐচএনএস)ঃ

দি য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসি-এসন কৈরক মনিং লৈকায়না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা চথুরিবা সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা এফ সী লমজাওনা ব্রাই দি এ তেন্থা খুনৌবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ৩০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ১৪ থোক্না খাইদোক্তুনা চথুরিবা ১৭শুবা রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা লমজাও এফ সী অমসুং ব্রাই দি এ তেন্থা খুনৌ শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ০-০দা লৈনবদগী টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা এফ সী লমজাওনা ব্রাই দি এবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। হয়েং অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা য়ঙ য়ুনাইটেদ ককচীং অমসুং দি ব্রাই এ এলাংখাংপোকপী শান্নগনি।

23 LASHAL SPORTS MEET- 2019

LATE N. CHANDRESHWOR MEMORIAL SEVEN MEN A SIDE STATE LEVEL OPEN FOOTBALL TOURNAMENT.

ORGANISED BY:- LEIMAPOKPAM KHUNPHAM APUNBA SANAROI LUP (LASHAL)

Regd. NO. 173 OF 2012, Estd. 1987

To be held at :- "LASHAL GROUND"

COMMENCEMENT OF TOURNAMENT 16th MARCH, 2019

PRIZES

WINNER- Rs. 70,000 /- WITH TROPHY (SEVENTY THOUSAND)

RUNNER- Rs. 50,000 /- WITH TROPHY (FIFTY THOUSAND)

BEST DISCIPLINE TEAM- Rs. 5000 /- WITH TROPHY (FIVE THOUSAND)

BEST PLAYER, BEST DEFENDER ,BEST SCORER , BEST MID-FIELDER, BEST GOAL KEEPER OF THE TOURNAMENT- Rs. 2000 /- WITH TROPHY (TWO THOUSAND) EACH.

| | |
|---|---|
| LAST DATE OF FORM SUBMISSION-12/03/2019<br>MANAGER MEETING 14/03/2019 AT 3.00PM | ADMISSION FEE : Rs 3000 /- |

Contact No. 8794240210/9862760097/9612103870

Facebook: lashal leimapokpam khunpham

sd/- O. Mani Singh

General secretary, LASHAL.

HL-P/5996/5,6,7




HL-B/5228/23/2 to 27/4(alt)




HL-B/5235/27/2-30/4(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com